দুরান্দ কপ ২০২৪

# মোহন বগান সুপর জাইন্ট ফাইনেল চঙখ্রে



**কোলকাটা, ওগষ্ট ২৭(এজেন্সী):** ১৩৩শুবা দুরান্দ কপকী ওইনা ঙসি বেঙ্গলুরু ফুটবোল ক্লব অমসুং মোহন বগান সুপর জাইন্টকী মরক্তা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা মোহন বগান সুপর জাইন্টনা পেনাল্টি শুটআউটতা বেঙ্গলুরু ফুটবোল ক্লব মায়থীবা পীরক্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। থা অসিগী ৩১দা মোহন বগান সুপর জাইন্টনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (এন ঈ য়ু এফ সী)গা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ তাবদগী হৌরগা কোলকাটাদা লৈবা ভি ৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা মোহন বগান সুপর জাইন্ট অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সীগী মরক্তা কপ অসিগী ওইনা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৪৩শুবা মিনটতা মোহন বগান সুপর জাইন্টকী মায়কৈদগী কা-হেনবা ফাউল অমা তৌরুবদগী রেফরিনা বেঙ্গলুরু এফ সীদা পেনাল্টি কাওননবগী খূদোংচাবা অমা পীখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল ওস্থোক্লুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ৫০শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী ভিনিট ভেনকটেশনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মোহন বগান সুপর জাইন্টকী মায়কৈদগী মাখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেটচ অদুগী ৬৮শুবা মিনটতা মোহন বগান সুপর জাইন্টনা চত্থরকখিবা এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী কা-হেনবা ফাউল অমা তৌরুবদগী মোহন বগান সুপর জাইন্টকী ওইনা পেনাল্টি কাওনবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। পেনাল্টি অদু টিম অদুগী শান্নরোয় দিমিট্রোস পেট্রাটোসনা পাঞ্জল ওস্থোকখি। মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ৮৪শুবা মিনটতা মোহন বগান সুপর জাইন্টকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় অনিরুথ থাপানা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি।

তুংদা রেফরিনা পেনাল্টি কাওননবা খঙহনখি। পেনাল্টি শুটআউটতা মোহন বগান সুপর জাইন্টনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ৪-৩দা মায়থীবা পীরক্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।


## ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা ঐচ চেতনচন্দ্র মশাগী অচিনবা থবক খরনা মরম ওইরগা ফম থাদোকচরগে হায়না থা অসিগী ১৯দা থারকখিবা ৱারোল অদু ঙরাং ফমখিবা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ মীফম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা হাঙহৌরিবা জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম অসি হৌজিক-হৌজিক এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা কেইবোতোম্বী মীতৈনা ইন-চার্জ ওইনা পুরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

## এম এন সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবামনা শীন্দুনা বাবুপারাগী লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা জিরিবাম অমদি কছারগী কাংলোয় ৯না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা ১১শুবা অশাংবম লক্ষিতোন দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল সুপর গ্রুপ লীগ মেটচতা এম এন সীনা কছারবু মায়থীবা পীরক্লগা সেমীফাইনেল চঙখ্রে। ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এম এন সীনা পাঞ্জল ১৩-৯দা কছার মায়থীবা পীরমখিবনি। সেমীফাইনেলদা এম এন সীনা এস এ ৱাই সী (সী)গা লম্বা তৌনরগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1229**

**GM A. Hambleton (2420) - GM Evgeny Bareev (2611)**
**Titled Tue 18th Jun Late chess.com INT (4), 2024.06.18**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 e6 | 2.Bf4 c5 | 3.e3 Ne7 | 4.c3 Ng6 | 5.Bg3 h5 |
| 6.h3 Qb6 | 7.Qb3 d5 | 8.Nd2 c4 | 9.Qxb6 axb6 | 10.Bxb8 Rxb8 |
| 11.a3 b5 | 12.h4 Bd7 | 13.Be2 Bc6 | 14.Bd1 Ne7 | 15.Bc2 Nc8 |
| 16.Ngf3 f5 | 17.Ng5 Ke7 | 18.Ndf3 Nb6 | 19.Ne5 Kf6 | 20.f3 Bd6 |
| 21.e4 Be8 | 22.exf5 exf5 | 23.O-O-O Nd7 | 24.f4 Nf8 | 25.Rhe1 Rc8 |
| 26.Re3 Rd8 | 27.Rde1 Rc8 | 28. ... | | |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 1228 Solution :**

**27. ...Rd1** The black rook decoys White's rook. The black rook deflects White's rook away from protecting the e-file. **28. Rxd1**
**28. ...Qe3+** The black queen attacks White's king, which is defending the square f2. **29. Kh1**
**29. ...Nf2+** The black knight forks White's king and rook. The black knight attacks White's rook, which is defending the square d3. **30. Kg1 Nh3+** Double check The black queen attacks White's king, which is defending the square f2. The black knight attacks White's king, which is defending the square f2.
Your moves:30...Nxd1+ 31.Kh1 Nf2+ 32.Kg1 Nh3+ 33.Kh1 Qc1+ 34.Bf1 Qxf1+ 35.Ng1 Qxg1#
**31. Kh1 Qg1+ 32. Nxg1** Blocking square g1.
**32. ...Nf2#** Smothered mate
**0-1**

# নিশিকান্তা অমসুং বিশ্বাজিৎকী পুংবানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন (জে দি বি এ)না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা জিরিবাম বাবুপারাদা লৈবা জিরিবাম পুলিস মল্টিপর্পজ হোলদা নুমিৎ হুম্নি চত্থরকখিবা অহানবা সগাপম ধনা সিংহ মেমোরিএল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নিশিকান্ত অমসুং বিশ্বাজিৎকী পুংবানা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ফাইনেল মেটচতা নিশিকান্ত অমসুং বিশ্বাজিৎকী পুংবা অমদি ইন্দ্রজয় অমসুং রঞ্জনগী পুংবাগা লম্বা তৌনখি। মদুদা নিশিকান্ত অমসুং বিশ্বাজিৎকী পুংবানা ইন্দ্রজয় অমসুং রঞ্জনগী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেট ২১-৮, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরক্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা নিশিকান্ত অমসুং বিশ্বাজিৎকী পুংবানা টোস ঙমদুনা হান্না সর্ভিস তৌদুনা শান্নবা হৌখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা জিরিবাম পুলিসকী রিটায়র্দ এস পি এম মুবি, জিরিবাম সী দি ব্লোককী গ্রাম রোজগার সেবক, সঙাপম রনাবির অমদি ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্লুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিশিকান্ত অমসুং বিশ্বাজিৎতা কেশ প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা ইন্দ্রজয় অমসুং রঞ্জনদনা কেশ প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৩০ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

LOAN AVAILABLE
for Vehicle / Machinery / Pension
(used vehicles exchange offer)


- 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- 4/Wheeler (Commercial) : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy), Driver 2, Security/ Gunman 2/2 পামজে।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/9010/18/8-1/11(alt)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com